# সিফাই ময়াম লাক্লগা

## সিফাইগী কেম্পতগী মী মাঙবা

থোক্লিবা থৌদোক, তারিবা পাউসিবু করিনো? সিফাই য়াঙ্গোন অমা লাক্লবা মতুংদা সিফাইনা চয়োম শানা য়োমশিন্দুনা লৈরিবা মখোয়গী কেম্পস-কম্পাউন্দগী মী মাঙখ্রে, মফম খঙদ্রে হায়বা ওইরমাল্লে! অদুবু অসিগুম্বা থৌদোকসিবু থোরকফম থোক্লিব্রা? থৌদোকসিগী পাউ তারকফম থোকপ্রা হায়বনি। থৌদোকসি নবেম্বর ২৫, ২০২৪দা থোকপনি। অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী গোশাইপুরদগী লাক্লগা লোইতাং খুন্নৌ মনিং লৈকায়দা লৈরখিবা মিলিটরি ইঞ্জিনিয়রিং সর্ভিসকী থবক থৌরমশিংগী সুপরভাইজর ওইজবা লাইশ্রম কমলবাবু (৫৬) না মহৌশা-মহৌশাগুম নুমিৎতুগী অয়ূক পুং ৯ লোম তারকপদা লৈমখোংগী ৫৭শুবা মাউন্টেন দিভিজনগী কেম্পসতা চঙখিবনি। নুংথিলগী পুং ১.২০গী মতুংদা ময়ূমগী মীওইশিংনা মহাক্কী মোবাইল ফোনদা কোল তৌরুবদা 'স্বিটচ ওফ' তৌদুনা লৈরমখিবনি। পুংফমদুদগী মহাক্কী মফম খঙলকখিদবনি, মরী-মখোঙ ফংখিদবনি। থৌদোকসি মে ৩, ২০২৩গী নুংথিলদগী লান হৌরকখিবগী মথংগী নুমিৎ মে ৪, ২০২৩দা মণিপুর লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি এদভাইজর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবা সী আর পি এফকী দিরেক্টর জেনরেল ফাওবা ওইরম্বনি হায়বা, রিটায়র্দ আই পি এস ওফিসরনিগা হায়বা ইবুংঙোসিনা মণিপুরদা দিপ্লোই তৌবা 'সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স' (সী এ পি এফ) কী পর্সনেলশিংগী কম্পনি ২২৮ শুরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং নুমিৎ ৪নি শুবা নুমিৎতা থোকখিবনি। সিক্যুরিটি এদভাইজরগী ৱাফমদু নবেম্বর ২২, ২০২৩দা ওল্ড সেক্রেটেরিএটকী কনফরেন্স হোলদা মণিপুরদা দিপ্লোই তৌরিবা সী এ পি এফ পূম্নমক্কী মহুৎ-শিনবা, মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা 'রিভিয়ু মীটিং' নিগা হায়জ-শাজবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি। মসি ওইরগদি য়ামখ্রবা, অহেনবা সিফাই কোকথোং অমা লাক্লবসু মী মাঙবা, অদুসু ৫৭শুবা মাউন্টেন দিভিজনগী কেম্পসতগী মফম খঙখিদবগী থোক্লিবা থৌদোকসি থোরকফম থোকপ্রা? নত্তে, সিফাই ময়াম লাক্লবা ফাওবদা লানগী মনুং-চনবা অসিগুম্বা থৌদোকসি থোরকহন্দবা ঙমদ্রবদি মখোয় লাকপগী করি কান্নদোইনো? নপা কান্ননবরা হায়দুনা হংলকপা মশানা তাবা নৎত্রো?

নত্তেনে, থা ২০ লাম্বা ফংজিল্লক্লবা লানসি ৱারী-ৱাতাই শানদুনা হায়বদি 'দাইলোগ' চত্থরগা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদগীদি সিক্যুরিটি শীজিন্নরগা লাকশিন্নবা হোৎনবরোমদা হেন্না থৱায় য়াওবদৌনা তৌই। অহেনবা সিফাই ময়াম পুশিল্লক্লিবসিদগী হায়বনি। তৌ, কৈসু কায়দে। অফস্পা লোইনা থমজিল্লগা সিক্যুরিটিনা নমথগেরা, ৱারী শারগা ৱারোইশিন পুরক্কেরা খোঙহায় চাবা, ফগনি খনবা'মা তৌরো। মীয়াম্না পান্লিবদি লান লোইশিনবনি। তৌবতবু লানগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হনগনু হায়বনি। অদুবু কম্পনি ২২৮গী পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌরবা ফাওবদা নুংথিল পোবোপ্তা চেল্লাক-চেনফোইনদুনা মী মাঙহল্লগা মফম খঙহন্দবগী থৌদোক থোকহল্লক্লিবসিবু য়ামখ্রবা সিফাইশিংসিনা কোন্নদ্রিবরা? কয়াম ৱাৎলিগে খুন্নক-ও হায়বনি। লৈবাকসিগী হোম, দিফেন্স অমসুং এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈরিবা লান্মী পূম্নমক মণিপুরদা পুল্লপ পৈররগদি লানসি খান্বা ঙমগনি হায়রিব্রা? মীয়ামগা নখোয়গা মরোল অমা হোদোক্নদুনা লৈখাই তাথোক্নহৌবা চুমগনি। মরমদি নখোয় ময়াম লৈরিসু থোকপা, মীচম ফারগা হিংথৎ-থৎখিবা মানবা থৌদোক্না লেপ্তুনা থোরকপসিবু হৌনরিব্রা হায়বনি। থৌদোক ময়ামসিনা নখোয়গী নাপদা চিঙ্গোইগদবা ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা লৈশিল্লক্কে। করি-করিনো বজ্র তারকপগুম থোকহনগদবা ঙাক্তা ঙাইশিল্লক্কে। ষ্টেট লৈঙাক্তদি হায়রুফম থোক্কে, হায়রুবদসু কান্নররোই। প্রাইম মিনিষ্টর উন্নরগা তকশিনমিন্নরুসি হায়রুবদা করি মায় পুরগা চৎকদগে হংলকপশিংদুদি মায় য়াওদ্রে, পান্দ্রে হায়রকপা ওইরম্লোইদ্রা? মায় য়াওদবা, পান্দবদবু করি হায়রুনেগে? চঙলক্লিবা লান্মী নখোয় ৱাখল তাও, লান নংলক্লিবা মীয়াম ৱাখল তাদ্রবনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৩ গী ৱাহং

১) **"কবি অমগী পূন্সি ৱারী"** হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্কী মনুংদা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্তুগী মমিং করি কৌবগে অমদি অইবা অসি কনানো?

২) **"মণিপুরগী শুমাং লীলা অমসুং থিয়েটর"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) "Bard's Last Litany" হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৪) **"লীপূন চেৎনা"** হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) **'সাহিত্য করিনো খঙদনা ইথোকপনা হাল্লুরে, অদুবু সাহিত্য করিনো খঙলকপদদি মহাক্কী পাক চাওরবা ঈপাক্তা ঐ ঈরাক্লরে..."** ৱাহৈ পরেং মতেক অসি রেদিও সেরিয়েল প্লে অমগী ফোঙখ্রবা লাইরিক্কী ৱাহৌদোক্তা য়াওবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০২গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (২,৩,৪,৫)***
২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৩) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (৩,৪,৫)
৪) মাইবম কাংজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় (২,৩,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১০২গী ৱিন্নর*

***তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১০২গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০২গী পাউখুম

১) **"মন্ত্রি জগোয় শারখিনি"** হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? **:- অইবা - খুমন্থেম প্রকাশ, লাইরিক্কী মমিং - ইচে বীনো, অহানবা ফোঙবা : ২০১২।**

২) **"অপঙগী মিংশেল"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? **:- অইবা-বি কে পাঞ্জিময়ূম, লাইরিক্কী মখল - ৱারেং, অহানবা ফোঙবা : মার্চ ২০১৮।**

৩) "UNTIL THIS NIGHT ENDS" হায়রিবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে? **:- ওরিজিনেল অইবা - শরুংবম বিনোদিনি দেবী, ওরিজিনেল লাইরিক্কী মমিং - অহিংসিনা লোইদ্রিঙৈ (নোভেল), মণিপুরীদগী ইংরাজিদা হন্দোকপা - উশম চাউভল সিংহ, ফর্ষ্ট এদিসন : সেপ্টেম্বর ২০১৮।**

৪) **"অতোপ্পা মিংশেল"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু। **:- লাইরিক্কী মখল - ক্রিটিকেল এসে, অইবা- নাওরেম বিদ্যাসাগর, অহানবা ফোঙবা : নবেম্বর ২০২৩।**

৫) **'মমানা মচা ফূববু"** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো ? **:- অইবা-সরত সলাম, লাইরিক্কী মখল-অঙাংগী শৈরেং, অহানবা ফোঙবা : ২০২০।**

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

**Q1.** লৌউ-লোয়শঙগী অখঙ-অহৈশিংগী মরক্তগী খরনা হায়বদা পাম্বীগী লেমখাকশিং মৈ থাদোক্কদবনি হায়বসু য়াওই খরা অমনা মৈ থাদোক্কনু, হার ওইনা শীজিন্ননবা পত্থহল্লু, কম্পোষ্ট শেম্মু হায়না তাকপীবসি ট্রেনিং কয়াদা তোয়না থেংনজে; রেদিওদসু তাজে। অদুবু অনী অসি করম্বনা চুমগদৌরিবনো? লৌবুক্তা তীলনা লায়না য়াম্না কনখিবদগী চরূ মৈ থাবনিসু হায়; খরনা হার শেম্নবা থম্মু হায়বীবসু য়াওই। মসিদসু ঐখোয়গী অনী থোকপীসি লৈবজাৎলা?

*- ব্রজবিধু, তাকয়েল*



**মীওই খরনদি পাম্মুনা থম্নরি**

☞ ৱাফম অনীমক চুম্মী। অনীথোকপী নত্তে। তোঙান-তোঙান্না হায়বদা লানবগী ৱানি। অনীমক শমজিন্নরগা হায়রবদি মপূং ফাগনি- 'লায়না তীলনা চাং ৱাংনা তাখিবা মফমগী পাম্বীগী লেমখাকশিং মৈ থাদোক্কনি; মশা ফরীবা পাম্বীগী লেমখাকশিংদি হার শেমদোক্কদবনি' হায়বনি। খুদম ওইনা আলুদা লেট ব্লাইট চাং ৱাংনা তাখ্রবদি আলু তানখ্রবা মতুংদা খামেন অশিনবী থাগদবা ওইরবদি আলু পাম্বীগী লেমখাক অমত্তা লৈহৌদনবা খন্দোকখিগনি। মরমদি খামেন অশিনবদা লায়না অসি অমুক তারক্কনি। য়াম্না মাঙহনখিগনি। আলুগী মতুংদা ফৌ থাগদবা ওইরবদি আলুগী লেমখাকশিংদু লৌথোক্ত্রবসু য়ারে। মথং চহীসু আলু থাররোই; খামেন অশিনবসু থাররোই। শাগৈ পুন্দবা পাম্বী ওইনা থারনি। মখোয়দদি লেট ব্লাইট তাররোই। আলু তান্থোকখ্রবা মতুংদা লেমহৌবা পাম্বীগী শরুকশিংদা পোটাসিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না অরেম্বদা হুন্দোকখিবা, মৈ থাদোকখিবা পাম্নদবগী ৱানি।

লৌবুক্তা চরূ মৈ থাবগী ৱাফমদদি - মৈ থাদোক্তবনা হেন্না ফৈ। ময়াম্না কিনরিবা ৱাহিক হায়না খঙনবা (হোপ্পরস) তীলশিংদি থাদোকখ্রবা চরূদুদগী শন্দোরক্কদবা নত্তে। চরূ মৈ থাবা, থাদবা তীলশিংদুগা মরী অমত্তা লৈনদে। ফৌদা ফৌখোক মুবী লায়না (ষ্টেম রোট), ফৌখোক লাংবী লায়না (সিথ ব্লাইট) অনীমক য়াম্না কন্না তাখিবা ওইরবসু চরূ মৈ থাদোক্লগা মথং চহীদা লায়নাসি তারোইদবা নত্তে। তৌববুদি লায়না অনীমক রেষ্টিং ষ্ট্রকচরশিং, স্কেলেরোশিয়া (Sclerotia) পুথোক্তুনা মথং চহীদা লায়না অসি শন্দোরকপগী মরম ওই হায়বসি লৈবাক্তা অমসুং চরূখোক মনুংদা লৈহৌবনি। লৌবুক্তা চরূ চাইথোক্লগা মৈ থাবা মতমদসু চরূখোকশিং মপূং ফানা চাকপা ঙল্লোই। অসুম হিংদুনা লৈগনি। স্কেলোরেশিয়াশিংগীদমক্তি লৌ খোইবা লোইরবা মতুংদা ফৈদোমশিংগী কাচিনশিংদা তাওদুনা লৈরিবদু লোংথ্রাই শীজিন্নদুনা খোন্দোক্তুনা লৌথোকখিবা য়াই। মসিদগী হেন্না ফবা অমা লৈতে। মতম চংদে, শেল চংদে, ৱাদে; খ্বাইদগী হেন্না ইফেক্টিব ওইবা থবক্নি। চরূ মৈ থাদোক্লোইসি।

**Q2.** হৱাইমুবী থারমদাইসিদা করি হীদাক তোৎহৌগদগে? খ্বাইদগী হেন্না ফবা হীদাক অমত্তা হায়বীরকউ।

*- রনবীর, ইরম সিফাই*

☞ খ্বাইদগী হেন্না ফবা হীদাক হায়বসিগী পাউখুমদি য়াম্না লুরে। মরমদি লায়না মখল খেন্নবগী মতুংইন্না হীদাক মমল খেন্নগদৌরিবনি। হৌখিবা চহীদা মফমদুগী হৱাইমুবীদা করি লায়না তাখিবগে হায়বা অমা; অতোপ্পা অমনা করম্বা লায়নাদগী ঙাকথোক্কদৌরিবনো হায়বা ৱাফম অনীসিগা মরী লৈননা চানবা হীদাক তোৎহৌবা নৎত্রগা কাপকদৌরিবনি। অদুবু লায়না অমসু অমসু ইয়া য়াবা, য়াম্না চন্নফম লৈবা পূম্নমক্তা কান্নবা পীবা ঙম্বা হায়রগদি ওর্গেনিক্কীসু ওইবা হিংকুপ Trichoderma Viride অমসুং Trichoderma harzianum অনীমক য়াওবা নৎত্রগা অতৈ ত্রাইকোদর্মা অতৈসু য়াওবা হীদাক ওইনা শীজিন্নবনা হেন্না কান্নে। হীদাকসি মপং অমসুং মহি অনীমক্তা ফংই। মরূদা তোৎপদদি মহি ওইনা শীজিন্নবনা হেন্না নুংঙাই। মরূগী কাচিন কোয়া থুংবা হেল্লি। হীদাক্তু মিলিলিটর ১০ মরূ কিলোগ্রাম খুদিংদা তোৎকনি। তোৎপা হেক লোইবগা অদুম থাদোকপা য়ারে। হয়েংৱাই কোন্না শীজিন্ননবনি হায়দুনা তোৎশিল্লগা থম্বদি ফত্তে। মাঙজবনা হেল্লি।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*

**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**

**চিঠি থারকফম**

**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**
**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**

**নৎত্রগা অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

## নাপী হীদাক শীজিন্নবগী চেকশিনৱা খরা



**- ডা. এস সুমঙ্গল -**

নাপী হীদাক মখল য়াম্মী, শীজিন্নবগী মতম, মওং অমদি মথৌ য়াম্না খেন্নে। মরম অসি লৈবনা শীজিন্নবদা য়াম্না চেকশিন্নীংঙাই ওই। চেকশিলহৌদ্রবদি তোংজবদগী মাঙজবনা হেনখিবা য়াই নৎত্রগনা হোৎনজমন পূম্বা অরেম্বা তাখিবসু য়াই।

**নাপী হীদাক মখলশিং :** নাপী হীদাক্কী তোঙান-তোঙানবা মথৌগী মতুংইন্না (১) সিলেক্টিভ (পাম্বী খল্লগা হাৎপা) (২) নন সিলেক্টিভ (খন্দনা পাম্বী পূম্নমক হাৎপা) (৩) সিষ্টেমিক (পাম্বীগী মনুংদা চঙদুনা হাৎপা) (৪) কন্টেক্ট (পাম্বীগী মপান থংবা মনা, মশানচিংবদা পাল্লগা হাৎপা) (৫) প্রি-ইমর্জেন্স (নাপীনা/পাম্বীনা মতোন থোক্লকপদা হাৎপা) (৫) পোষ্ট-ইমর্জেন্স (নাপীনা হৌরবা মতুংদা হাৎপা) অসিনচিংবা। মখোয়গী মথৌশিং অসি য়াম্না মমুৎ তানা খঙবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদে। থমজরিবা নাপী হীদাকশিং অসি ফৌগী ওইনা থমজবনি।

মতাং অসিদা অখঙ-অহৈশিংদগী ঐখোয়না হেন্না খঙই, মখোয়দি টেবলদা লৌউবনি। মখোয়গী মৱা লৌদে হায়বা লৌমী ইচিল-ইনাও থোক্লক্লগনা অমনি মদুদি হৈতনা অহৈ শাবা, অখঙ-অহৈ য়াওবদগীনি হায়না থমজগে। মখোয়বু ঙাকপীসি। মরু ওইবা ঙসিগী টোপিক্তা লাক্লবদা মখাদা অসুম্না থমজরি।

১) প্রি নৎত্রগা পোষ্ট ইমর্জেন্স হায়রিবসি থারিবা পাম্বীগী য়েংলগা হায়বা নত্তে, নাপীগী য়েংলগা হায়বনি। প্রি হায়বসিনা নাপীনা মতোন থোক্ত্রিঙৈ অদুগা পোষ্ট হায়বসিনা নাপীনা মতোন থোক্তুনা হৌরবা মতুং হায়বনি। থারিবা নৎত্রগা হুল্লিবা পাম্বীগী মতোন থোকপা নৎত্রগা থোক্তবা হায়বা নত্তে। মসি অখঙ-অহৈনি হায়না লৌবীরিবা ইশামকফাওবা খঙলমদে। মমৈথংদা ইথন্নতা থিগৎচরগা খঙলকখিবনি। হৌজিক ফৌ লোকপা মতমনি অদুবু অঙনফৌ থাবা ইচিল-ইনাওশিংগী য়েংলগা থমজবনি। কান্নবা কয়া লৌউবা হৈবশিংনা তুংগী ওইনা কান্নবা কয়া লৌবসু য়াই।

২) প্রি-ইমর্জেন্স খুদিংমক নন সিলেক্টিভ ওইফম থোকই। পাম্বী খুদিংমক মতোন থোক্লকপা মতমদা মঙক কক্তুনা হাৎখিগনি। ফৌসু মতোন থোক্লকপদা হাৎখিগনি। ফৌ মতোন থোক্ত্রিঙৈদা চাইবা য়াদে। খুদম- সাথি (পাইরাজোসলফ্যুরোন ইথাইল), প্রিটিলাক্লোর, ব্যুতাক্লোর পনবা য়াই।

৩) পাম্ফেল হুল্লবদি ফৌনা মতোন থোক্তুনা হৌরবা মতুং নাপীনা মতোন থোক্ত্রিঙৈদা চাইগনি। মসি ফৌ হুল্লবা মতুং নুমিৎ হুম্নিগী মতুং ওইবগা লোয়ননা হাপ্তা অমগী মনুংদা চাইসি। হাপ্তা অমা হেল্লবদি নাপী খরা শোয়দনা মতোন থোকখ্রগনি হাৎপা ঙল্লরোই। অরিংবা ফৌ ওইরগনা হাপ্তা অমগী মনুংদা চাইসি। ফৌ হেক লিংবা মতুংদা অদুমক চাইবা য়ারে অদুবু মখোঙ চেৎত্রিবা ফৌ ওইবনা লিংবা মতুং ৫-৬নি শুবদা চাইবনা হেন্না ফৈ। য়ারিবমখৈ নাপীনা মতোন থোক্ত্রিঙৈদা চাইসি।

৪) কনাগুম্বনা ফৌ লিংদ্রিঙৈ নৎত্রগা হুন্দ্রিঙৈ চাইবা থেংনৈ, মসি কান্নবা ৱাৎলি। মরমদি হীদাক চাইখ্রবা মতুং নুমিৎ কয়ানি লৈরগা হুনবনো নৎত্রগা লিংবনো খঙদে। মতম অসিদা হুনবা ফৌ মতোন থোক্ত্রিবা ওইরগদি ফৌদু শোয়দনা মতোন থোক্লকপদা হাৎখ্রগনি। লোয়ননা ফৌ হুনবা চঙবদা লৈবাক মনুংদগী খোঙনা পুখৎলকপা লৈবাক্তা য়াওরকপা ফৌ নাপী মরূশিং নাপী হীদাক্কী মথক্তা লৈখিবনা অদুমক হৌরক্কনি। অরিংবা ফৌদসু অদু মঙাই ফৌদি হাৎলোই নাপী খরদি হৌরক্লনি।

৫) অমুকসু মাঙজৌননা চাইবা মতমদা নাপী মরূদি লৈনুংদা মরোল মরোল লৈবনা অহুনবা ফৌদা মাঙজৌননা চাইখিবা নাপী হীদাক অদুগী ময়াক্লা লোইখিদুনা মনুংদগী হৌরকপা নাপীগা খরা কোন্না হুন্দুনা হৌরক্লিবা ফৌগা অদুমক হৌমিন্নদুনা অৱাবা ওইগনি।

৬) পোষ্ট ইমর্জেন্স খুদিংমক সিলেক্টিভ ওইদে। সিলেক্টিভ হায়বদি পাম্বী খল্লগা হাৎপা হায়বনি। খুদম ওইনা নাপীনা হাৎলগা ফৌনা হাৎতবা-ওলমিক্স, কাউলসিল, ২-৪দি পনবা য়াবা হীদাকশিংনি। ২-৪-দিদি মনা পাকপা কাঙবুদং হাৎকনি। উরিচাক, কাকথ্রুম্নচিংবা হাত্তে। পাম্বী খুদিংমক হাৎপা ঙম্বা গ্লাইফোসেট, পারাক্বেত পোষ্ট ইমর্জেন্সতা নন সিলেক্টিভশিংনি। অমুকসু গ্লাইফোসেট সিষ্টেমিক হায়বদি পাম্বীগী সিষ্টেমদা চঙশিল্লগা মরা য়ৌনা হাৎপনি। পারাক্বেট কন্টেক্টনি। হায়বদি পাম্বীগী সিষ্টম মনুংদা চঙদনা মনা অমদি অতৈ মশা-মরেংদা পাল্লগা কংহনবনি। কোন্না অমুক হৌরক্কনি।

৭) ৬তা পল্লিবা হীদাক অনী অসি পোৎ থাদ্রিঙৈ মাঙজৌননা লৌফমদা হৌরিবা নাপীশিংদা চাইদুনা হাত্তোক্লগা লৈবাক্তা খোইজিন্দুনা হার ওইহনখিবা য়াই। য়ূমগী অকোয়বদা য়েনখা-য়েনখুন্দা হৌবা, লম্মাং-লম্পাক, লম্বী-সরক্তা হৌবা নাপী হাৎপদা শীজিন্নবা য়াই। গ্লাইফোসেত্তি ফার্মগী পল্লি, লৌফমগী লৌরিদা কাপ্লবদি লৈরাই নিঙ্খাইগনি লৌরি পেত্থরক্কনি। কাপহন্নীংদে।

৮) পোষ্ট ইমর্জেন্স সিলেক্টিভ চাইবদা চেকশিনগদবা খরা লৈ। মেটসলফ্যুরোন মিথাইলগা ক্লোরিম্যুরোন ইথাইলগা পূন্না শাবা ওলমিক্স হায়রিবা হীদাক অসি মণিপুরদা গ্রাম ৮গী পেকেট ওইনা লাকই। মসি লৌ একর অমগীনি। কনাগুম্বনা লৌ শঙম অমদা পুন্না চাইবা থেংনৈ। ফৌ য়াম্না শোক্কনি। শঙমদা গ্রাম ৫ খক পম্প ৫ থোক্লগা চাইসি। ফৌ অহুনবা ওইরগদি নুমিৎ ২৫-৩০নি শুবদা ফৌ খরা চাউরবা, নাপীসু মনা নীংথিনা পাল্লবা মতমদা চাইবনা হেন্না ফংই। ঈশিং চিথোক্লগা নাপী মনাশিং ঈশিং মথক্তা খরা য়াম্না থিনগৎহল্লগা কাপসি। অতৈ সিলেক্টিভ হীদাকসু অদু মঙাই।

৯) ২-৪দি হায়রিবা হীদাক অসি তোঙান-তোঙানবা মমিংদা লাকই। খুদম ওইনা এপ্রোদোন, ৱীদনাশ, ৱীদমার অসিনচিংবা। মখোয়গী হূ য়াওবগী চাংসু খেন্ননা লাকই। লৌফমগা চাননা হীদাক কয়াম চাইগনি হায়বা অসি য়াম্নমক মরু ওই। ২-৪দি দোজ হেল্লবসু ৱাৎলবসু অনীমক্তা পাম্বী শোকই। মরম অসি লৈবনা হীদাক্কী মখুমদা থারিবা (%) অদু মুন্না য়েংবা তঙাইফদে। (%) অদু হূ অদুগী এক্টিভ ইনগ্রেদিএন্ট (এ আই) হূ মশামক কয়াম য়াওবগে হায়বদুনি। হায়রিবা এ আই অসি লৌ পরি অমদা ০.২৫দগী ০.৫ কেজি এ আইদগী হেনবা য়াদে হায়বা লৈ। এ আই অসি ইশাগী লৌফমদা করম্না চপ চানা ফংনবা হীদাক কয়াম চাইগনি হায়বদু য়েংসি। মসি পুথোক্লবগী অরায়বা কাঙলোন অমা থমজগে। এ আই ০.২৫ ফংনবা অসুম্না হোৎকনি। মসিগী ফোর্মুলাদি- চঙগদবা হীদাক মহি (দুকান্দগী লৈরুরিবা মহি নৎত্রগা মপং, মসিবু হীদাক্তুগী ফোর্মুলেসন কৌই) = চঙগদবা এ আই x১০০/হীদাক্তা থারিবা এ আই। হোৎপগী খুদম অমা য়েংসি। এগ্রোদোন ১৮% (থারিবা এ আই) অসি লৌ পরি অমগীদমক ০.২৫ কেজি এ আই ফংগে হায়রবদি ০.২৫x১০০/১৮=১.৩৯ কিলো চঙগনি। হায়বদি লৈরুরিবা হীদাক অদু কিলো ১গা গ্রাম ৩৯০ চঙগনি হায়বনি। নাপী খরা লিখিদুনা ০.৫ কেজি এ আই চাইগে হায়রগদি, ০.৫x১০০/১৮=২.৮ কিলো চঙগনি। শঙম অমগী পুথোক্কে হায়রগদি ৪না য়েন্থোক্লগা লোইরে। অসুম্না মহি ওইরবসু লিটর নৎত্রগা মিলিলিটর কয়া চঙগনি হায়বদু লায়না পুথোক্তুনা শোয়দনবা হোৎনসি লাইরিক-লাইশু হৈরবা ইচাশিং-ইনাওশিং, অখঙ-অহৈশিং তানদুনা শোয়দনবা হোৎনসি। ●

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৩৮০)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

হৈরেম লমদম অমদা। খুনচাল নিংথৌ লালতাবা। ময়ুম লৈনা লম। মোমনু তাললোই লৈমা মরুমবী। ৱাঙনু নোংতম চনুনা। খুনগাবা পুঙ। মমাইবা খুনচাল অয়াঙ হাওবচানা। চরৈ চকফি ফিরেল চোলচোল। খমৱাই শেংফাম নাহুন ফিজেৎনা। তেকপী ওকলম খোংগুন তুংইননা। কাওরেল শললম তুংইননা। খুলদা পুঙ হৈরেম শেংনামাঙ। খুনচাল মুংবীতুং। হৈরেম তাওসুমাঙ ও। মিংথোল মিংকৌখিবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। ময়ুম হৈরেম লমদমদা। শৈথা শৈশকনবা। খুনজান তেংথা শৈশক শৈথাবনা। ঈরেল ঈশিং ঈচাওলকপবুদি। ঈশিং তমলেল চাওবা ও কৌয়ে। ঈশিং তমলেল চাওবনা। হৈরেম মচেৎ অমবু তাওথোকখ্রে। তাওসুমাঙ ও হায়না। মিংথোল মিংকৌয়ে। মুংবী লমবী মচেৎ অমবু শেংচরৌয়ে। শেংচামাঙ ও মিংথোলনৈয়ে। হৈরেম খুৎকল পাংগলবা। মনিল নাইববু। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯳꯸꯰)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯍꯩꯔꯦꯝ ꯂꯝꯗꯝ ꯑꯃꯗꯥ॥ ꯈꯨꯟꯆꯥꯜ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯂꯥꯜꯇꯥꯕꯥ॥ ꯃꯌꯨꯝ ꯂꯩꯅꯥ ꯂꯝ॥ ꯃꯣꯝꯅꯨ ꯇꯥꯜꯂꯣꯏ ꯂꯩꯃꯥ ꯃꯔꯨꯝꯕꯤ॥ ꯋꯥꯡꯅꯨ ꯅꯣꯡꯇꯝ ꯆꯅꯨꯅꯥ॥ ꯈꯨꯅꯒꯥꯕꯥ ꯄꯨꯡ॥ ꯃꯃꯥꯏꯕꯥ ꯈꯨꯟꯆꯥꯜ ꯑꯌꯥꯡ ꯍꯥꯎꯕꯆꯥꯅꯥ॥ ꯆꯔꯩ ꯆꯀꯐꯤ ꯐꯤꯔꯦꯜ ꯆꯣꯜꯆꯣꯜ॥ ꯈꯃꯋꯥꯏ ꯁꯦꯡꯐꯝ ꯅꯥꯍꯨꯟ ꯐꯤꯖꯦꯠꯅꯥ॥ ꯇꯦꯛꯄꯤ ꯑꯣꯛꯂꯝ ꯈꯣꯡꯒꯨꯟ ꯇꯨꯡꯏꯟꯅꯥ॥ ꯀꯥꯎꯔꯦꯜ ꯁꯂꯂꯝ ꯇꯨꯡꯏꯟꯅꯥ॥ ꯈꯨꯜꯗꯥ ꯄꯨꯡ ꯍꯩꯔꯦꯝ ꯁꯦꯡꯅꯥꯃꯥꯡ॥ ꯈꯨꯟꯆꯥꯜ ꯃꯨꯡꯕꯤꯇꯨꯡ॥ ꯍꯩꯔꯦꯝ ꯇꯥꯎꯁꯨꯃꯥꯡ ꯑꯣ॥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯕꯗꯤ॥ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ॥ ꯃꯌꯨꯝ ꯍꯩꯔꯦꯝ ꯂꯝꯗꯝꯗꯥ॥ ꯁꯩꯊꯥ ꯁꯩꯁꯛꯅꯕꯥ॥ ꯈꯨꯟꯖꯥꯟ ꯇꯦꯡꯊꯥ ꯁꯩꯁꯛ ꯁꯩꯊꯥꯕꯅꯥ॥ ꯏꯔꯦꯜ ꯏꯁꯤꯡ ꯏꯆꯥꯎꯂꯛꯄꯕꯨꯗꯤ॥ ꯏꯁꯤꯡ ꯇꯃꯂꯦꯜ ꯆꯥꯎꯕꯥ ꯑꯣ ꯀꯧꯌꯦ॥ ꯏꯁꯤꯡ ꯇꯃꯂꯦꯜ ꯆꯥꯎꯕꯅꯥ॥ ꯍꯩꯔꯦꯝ ꯃꯆꯦꯠ ꯑꯃꯕꯨ ꯇꯥꯎꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯦ॥ ꯇꯥꯎꯁꯨꯃꯥꯡ ꯑꯣ ꯍꯥꯌꯅꯥ॥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ॥ ꯃꯨꯡꯕꯤ ꯂꯝꯕꯤ ꯃꯆꯦꯠ ꯑꯃꯕꯨ ꯁꯦꯡꯆꯔꯧꯌꯦ॥ ꯁꯦꯡꯆꯥꯃꯥꯡ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜꯅꯩꯌꯦ॥ ꯍꯩꯔꯦꯝ ꯈꯨꯠꯀꯜ ꯄꯥꯡꯒꯜꯕꯥ॥ ꯃꯅꯤꯜ ꯅꯥꯏꯕꯕꯨ॥ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।